অশিবদগী ঐ নাম্থোকপা ঙমদে, অদুবু মসিগী অকিবদগীদি ঐ নাম্থোকপা ঙম্মী।

- Epictetus

শৈরেং

ঐ-নঙসু

— খাইদেম বোরসিংহ

ইতৎ তত্তনা লক্লররি
অশিবা কৌবনা ঐবু
খোঙদা অমুক পায়
খূৎতা অমুক চিং
পুক্তা অমুক
কোক্তা অমুক
তাপ-তাপ।
চেল্লক্লি ঐসু ঙম্বমখৈ
ইমা ইমা
ববা ববা
হো চান্নবী।
থোইবী মাগী য়াঙ্গোই
খূৎথৌ মক্তি য়াদে
অদুঙৈ কবো
লোইকারকপদো।
মাঙদা অমুক লৈরম্মী
তুংদা অমুক শোৎ শোৎ
চেনবদি লেপ্লকত্রি
থৈনা থৈনা নাথৈনা।
পাঙ্গল ফরবা
মিত্রং হৈরবা
শেল পায়রবা
কাল কৌবা লাই
চাম্মা চাম্মবু হেল্লি
অমম্বা লাংনা কুপখিবনি
নাম্থোকফম লৈতনা
নোংমা হায়বা নুমিৎতদি।

মমি শাম্মী

— প্রমোদিনি থৌনাওজম

তারি তোয়না খোঞ্জেল অমা
কৌরিবোই খন্দুনা থল্লুই মীৎয়েংদো
উখি মমি শাম্মী শক্তম অমা
মাঙহল্লি নোংথাং মঙালদুনা
লেপহৌই ইদোম নোংজুলক্তা।
উনা উনা লাপখ্রবা মীৎয়েং
করিগী লেপ্লুই মীৎমাংদুদা অমুক
তাররোই খন্দুনা তাবিদ্রবা নাপদুদা
লৈরমখিদ্রা নুংশিবা শুরগী ৰাহম্থোক
লাইজ নুংদা লোৎখ্রবা থৌদু নুংগুম।
খূৎশেম য়াওদা হুল্লিবা মালংবা নঙনা
হুমদোকখ্রো মিনম্বা হৌখিবা ৰারীদো
ইঙাগী লেপ্তুবা নোংজুও নহাক্লা
চামথোকপীয়ু ওইদবা মাগী ৰাখলবু
চোঙহল্লু অনৌবা ময়োল পূন্সিগী য়েন্নিং।
লুরবা লাইজগী ঈমাইদা চাক্তারি
ঙানু থঙ্গোঙ কল্লকপা ফাওরিবা ৰাখল
মীহৌ চাউদে করম্না হায়গনি
মহৌশাগী মতম্পাক্তা চাক্তাজবী মহাকপু
ফাজিন্দুনা থম্বীরগা পেঞ্জবদি থম্মোয়রা।

ইঙাগী নোংনা লাকপদা

— অঙোম ইবোমচা

ফিজোল হোংলে মালেমসে
ফিজোল হোংলে মালেমসে
লৌবুক লম্মাং ঈশং-শং
ঝম-ঝম, ঝম-ঝম
চুথরি কুমগী নোং
ফিজোল হোংলে মালেমসে।
    মনা পুঙনা উপাল-ৰাপাল
    ঈশং শংলে ইনৌ নৌরে
    শৈশক তল্লি হরিনুংনাং
    তাম্থা পীরি হঙোইনা গো-গো
    ফিজোল হোংলে মালেমসে।
তাইবঙ শিন্থা পাঙনবা
লৌবুক মায়কৈ পাংনরে
খূত্তা য়োৎপাক থাঙজৌ পায়দুনা
লৌউবা ইচিল-ইনাওশিং
ফিজোল হোংলে মালেমসে।
    পুমনিল নিল্লে লম্বী-লমথোঙ
    পুমনিল নিল্লে লৌবুক-লম্মাং
    ইঞ্জিন মখোলগী খোঞ্জেলতনা
    অহিং নুংথিল খায়দরে
    ফিজোল হোংলে মালেমসে।
ষণপোৎ খোইবা লৌমীনা
ষণ পাপোৎপু হোইদুনা
অরা তি-তি ষণহোই ঈশৈ শকপনা
পুমনিল নিল্লে লৌবুক লম্মাং
ফিজোল হোংলে মালেমসে
ফিজোল হোংলে মালেমসে।

য়ূমগী মৌ অনৌবী

— শ্রীকাংজম নন্দকুমার

মনীং তম্না ফূগাইনা শাৎলকঙৈ
লৈরাংনা লৈনম মপূং ফানা
ফংহনবীরম্মী মফম খুদিংদা
খুললান্না পাইরকপা খোইমু
খ্বাংজেংবা কয়াগী মফমদা।
পামজবা কনাগী মফমদা
নুংশি ৰাইথুংনখিদুনা পূন্সিগী
য়ূম্বাল থৌরীনা পুনখিদুনা
খোঙথাং খুদিং অনৌবী
মিংথোল ফংলদুনা অহল-লমন
শাগৈ-নাতৈগী থৌগলদা পূক্লিং লুপ্লি।
মতমগী খোঙলৈনা মমা
হায়বা মিংথোলদো নোংমদি
শোয়দনা ফংলরগনি মতমনা পুরক্তুনা
য়ূমগী মৌনি হায়খিবা মীকুপ
অদুদগী খোঙথাং খুদিং
মিৎয়েং নায়েং কুপ্পা শেন্নখিদুনা
য়ূমগী মৌ অনৌবী ওইরদুনা
য়ূম্নাক শাগৈ হোংলকপা
নুমিৎ অদুনা পূন্সিগী ওইখ্রে
ঐবু য়ূমগী মৌ অনৌবী।

শক্লগনু নুংশি ঈশৈ

— কে মেমা

শক্লগনু নুংশি ঈশৈ
খাঙবা কনবগী লোইখ্রমাল্লে
কায়নবা নত্তে থুংনবনি
সংসারদগী চৎখ্রবা মাদি কায়নবনি
হিংলিবা ঐখোয়দি উনররি থেংনররি
লম্বী লমখাংদা, সড়ককী নাকলদা
থেংনবা নত্তনা ফোঙদোকপা ঙমখিদে
মসিনি নুংশিরুবগী নুংঙাইবা
নুমিৎ-থা থৰাম্নীচাক লেঙদনা অদুম লৈখিগনি
মালেমগা নোংদোলগসু অদুম লৈখিগনি
অমগা অমগা পাউখোং চন্নরি
পোকপগী মহয় য়াল্লবা কলাগী মগুণ
লৈহৌরগনি মালেমসিদা শক্লহৌগনি মীয়াম্না
পূন্সিগী অহানবা নুংশি লম্বীদা
কুফেৎ কাফেৎ ঙাইহাক খোঙদারুবা
পলেম পম্থৌগী অকনবা চৈরাক ওইখি
থদৎপীখি নুংশি মপাও মনীং থুংহৌদনা
য়াওশঙগী থাবল, শজিবুগী চৈরাও চীং কাবা
কাংগী চালি শাবা মেরাগী হিয়াংথাং বর খুরুম্বা
লৈশা পাখঙগী কয়াদা নুংঙাইজবা
পূন্নমক তৌশিন্নবা নত্তে
ঈথক ঈপোম নাইবা তুরেলগী ঈচেল
পনবা নত্তে কনাগী থৌইনশিন য়াওদনা
চেন্থরি মনীং তম্না পন্থুং য়ৌনবা
খাঙুথক্কী শিঙ্গারৈ লৈমায়থক্তা কেল্লেদো
পান্মুই পান্মুই শোন্নরৈ
ইঙাগী নোংহৌ, লাংবনগী মৈশা মেরাগী পূর্ণিমাগী থাবল
ফাইরেলগী অঙাওবা নুংশিৎ
থাবল্লক্তা লৈনা লৈনা শারি উনাশিংনা
কাইহৌরি নীঙমদ্রবা কনাগী মফমদা
ঈরাং নত্তে নুংশিবা, পংতৌ তৌবা শাশিন্নবা নত্তে
ওমদুনা চাকপা ৰামৈগুম ফুম্বংনরবা ৰাখল থোক্তুবা
ঙাইহাক ফল্লি নুংশি তোর্বান্দা
শাগৎচরুই মোন্দ্রং কয়ামা
নীংশিং নীংশিং নুংঙাইরুই
মাঙখি মঙলান্দু কুইদে
নীংঙমদা মৈরি মৈৰাইরে খাঙবা তম্লগে ঐগী পূন্সি
মদুতনা নুংঙাইবা ওইজরগে।

লাই য়েকপা অশৈবা

— মোইরাংথেম কুলচন্দ্র

চীংয়াগী থেল
        থেল’দুগী ময়ায়দা
লেপ্লি লাই য়েকপদো
        হে অশৈবা!
চাক্লি অকোয়বদা
        লাম্মৈগুম
লানগী মৈরিনা ঙংনা।
        লান পাম্বা মহাক্লা
পায়দুনা শান্নৈ মৈরিদু
        লংশিল্লি
লাই য়েকপা অশৈবদা।
        লান খামগদবা
মহাক্তা!
        য়েংদুনা লৈরি
মৈরিদুনা চাক্লকপা।

ইমা নুংশিবী পোক্লফম

— ইরোম মোৰি

পোকচগে হন্না হন্না
শিবসু শিজগে হন্না হন্না
ইমা পোক্লফম লমদমগীদমক।
হন্না হন্না লাউজগে
শেঞ্জা থুমজা লৈতনবা
হন্না হন্না হোৎনজগে
পোপী থাদনবা দ্রগ য়োন্দনবা
হন্না হন্না শূ-নোমজগে
চাওখৎপা ইরমদম ওইনবা
হন্না হন্না তমজগে
লাইরিক-লাইশু হৈবা হেন্নবা
হন্না হন্না তম্বীজগে
লাইরিক হৈনবা লমচৎ-শাজৎ ফজনবা
হন্না হন্না শেমগৎচগে
ফজরবা লমদম ওইনবা
কনা অমত্তদগী শেল লৌজরোই
অচুম্বা মীখল ওইনবা
হন্না হন্না খুরুমজগে
ইমা লৈবাক হেন্না হেন্না নুংশিজনবা।

কনানো নঙবু শকহেনবী

— নাওরেম মঙ্গি

কনানো নঙবু শকহেনবী
করম্বা অঙাওবা মালংনা
নুজাগী থম্মোয়দা য়ৈদুনা
মতম চাদনা শাৎলিবা
করিগী হাই হুল্লিবা।
        লৈকোন নত্তনা লৈশাৎপা
        মপু কনানা থারম্বা
        শম্বলসু খাদনা থল্লগা
        ঈরাং পুবী নতৌনা
        করিগী লেন্নরি মীমাংদা।
তূমদুনা লৈজবা খোইমুসে
নঙগী লৈনমদা ঙাওদুনা
তুমশিৎ ফাদনা য়াকাইরে
খঙহৌদা মমিৎ শীংলক্লে
লৈরাং লৈহি থিরক্লে।

মতম মতমগী ৰাখল

লমশি অমদি পাঙ্গোং পাম্বী

‘লমশি শিবা ’ হায়বা ৰাহৈ অসি চিন্দা পন্নদে । কনাগুম্বা খরনা শাওবদগী নৎত্রবা ৰারৌবদগী মী চৈবদা শীজিন্নৈ নৎত্রগা হায়দোকখিবা য়াওই । মদু অফবদা হায়বা নত্তে । য়েক-সল্লাইচা ওইরিবা লমদম অসিগী য়েলহৌমীশিংদি লমশি শিরোই । খুন্দা-লৈতাদুনা হিংলক্লিবা, মমা মপানা নাওকোল্লিবা,মপা মপুনা ফমেন ফমদুনা ৰারক্লিবা মচা-মশুশিংনা লমশি শিরোই। অতোপ্পা থাজনবী অমসু লৈরি মদুদি-অঙাং অমা পোকপদা, নুপা ওইরগা য়ূমগী য়েৎথংবা য়েনখাদা পংলু লুদনা লৈপাক তৌরগা চফু মচাদা পোকপদা ঙাইরিবা মচাগী খোইরি-নাওফম ফুম্নরি । নুপী ওইরগা ওই থংবা য়ুমগী য়েনাখাদা ফুম্মী। য়ুমদা নাওফম ফুন্লিবা লমদমসিগী মচা অমত্তা লমশি শরোই । ঐখোয় মীতৈ নৎত্রগা মৈতৈ অসিতমক ওইরমগনি খল্লি অঙাং অমা পোল্লগা য়ুমদা নাওফম পুরল্লগা ফুন্লিবসি । করম্বা মতমদগী কনানা লমদমসিদা চৎনবী ওইনা হৌদোকখিবনো চঙশিল্লগা নৈনরুদ্রিবনা কূপথনা খঙদ্রি। পংতৌ তৌশিনখিবদি ওইরমলোই, ৰারী-ৰাখোং লৈরমগনি। ঐখোয়গী লমদমসিগী অহল-লমনশিং অচম্বা ওইখিদে । ফজখ্রবা লোনচৎ অসি মালেমগী করম্বা মফমদা চৎনরমগদগে ? অতৈ কয়া অমসু লৈরি। অসুক ফজবা চৎনরোল, লিচৎ-শাজৎ ময়াম অমা ঙাক্লা মতম কুইরবদগী ঙসি ফাওবা চৎনরক্লিবা ঐখোয়গী নাৎকী থাক অসি কদায়দনো অমা ঐখোয় ইশানা ইখঙ খঙনদনা হিংলি । মালেমগী মমিং লৈরবা ফোকলোরিষ্টশিংনা অসিগুম্বা চৎনবী, থাজনবী অসি অৰাংবা থাক্তা নৈনরি। লাইরিক কয়া ইদুনা ফোঙলি। ফোকলোরগী বিজ্ঞানবু মহৈ অমা ওইনসু অৰাংবা য়ুনির্ভসিটিশিংদা তমহন্নরি ।

ঐখোয়না তাখি মদুদি-মীশি চাদনা শিবা, ঈশিংদা তাদুনা ইরাক্লরগা শিবা, লমশি শিরবা, থৌরী য়ান্দুনা শিরবা মী অদু পোৎলোইনদে । অদুগুম্বা মীশি চাদবশিং অমুক হন্না হঞ্জিল্লক্তনবা চুকশা থৌরম পাংথোক্লরকই। চুকশাবা থৌরম পাংথোক্লরকপগী মতাংদি লাইরিক লাইশুদা য়াম্না থেংনরে । থৌরী য়ান্দুনা শিবসি লমদম অসিদদি লাইগী হাকতক্তগী হায়বা তায় য়াম্না লৈখ্রে। লাইরেম্বী ওনখ্রবা অয়াম্বা থৌরী য়ানখি। নুপাদগী নুপীগী মশীংনসু থৌরী য়ানবগী চাং হেল্লি । থৌরী য়ানবা অরুবা অমনি হেক্তা য়ানবসু য়ারোই। হুক্কদৌরিবা থৌরীগী মওং,মফম লৈরি। থৌরী য়ানবগী তমফম লৈতে, তাকপীনবা মীসু লৈতে, অদুবু কনাগুম্বা ৰাখল তাদবা অঙাওবা অমা নৎত্রগা অপঙবা ইচম চম্বা মী অমনা মথন্তা থৌরী য়াল্লগা ইরায় লায়না শিজবা ঙম্মী । মসিসু অঙকপা অমনি। কৈশুম শঙদা মরাল লৈবগী থমলক্লবা, মীয়াৎ তারবা শিবগী চৈরাক পীরগদবা কনাগুম্বা অমা, থৌরী য়ান্দুনা হাৎপা তারবদি, মহাকপু থৌরী য়ালহনগদৌরিবা মী অদু অখন্নবা, অহৈবা শোয়বা য়াদবা মী অমনা য়ালহল্লি । অসুম্না অরুবা থবক অমা ওইনা লৈরিবা মওং-থৌওং অসি, কনাগুম্বা মথন্তা শিজরগে খনবশিংদি শুকতম তমলুদনা, ইরায় লায়না কোক মঙকশমদা থৌরী হুকচিল্লগা য়াম্থোকই। মসি তৌহৈদবা, খলহৈদবা অঙকপা অমনি।

মণিপুরদা থৌরী য়াল্লগা শিরবদি, অশিবা হকচাং অদু মঙারক কানবীদা লংথোকনরম্মী হায়বগী ৰারী লৈ । মঙারক কানবী হায়বসি থাংমৈবন্দগী চীংয়া অমদা লৈবা মফমনি হায়রি । হৌজিক্তি মঙারক কানবীগী মফম লৈত্রে। থৌরী য়াল্লগা শিবা মী লংথোক্লবগী চৎনবীসু লৈখিদ্রে। থৌরী য়াল্লগা নৎত্রবা লমশি শিবা মীবু লংথোকপা পোৎলোইদবগী চৎনবী অসি চাউখৎতবা থৌওং অমদি নত্তে। মতম অদুগী চৎনবীনি। অসিগুম্বা মওং অসিদি গ্রীক্কী, রোমগী, জপানগী, চিনাগী মফমশিংদসু ঙাল্লিঙৈদা লৈরমখি। হৌজিক ফাওবা চৎনবসু লৈরি ।

মতম অমা, মী অমা শিরে, থৌরী য়াল্লমলে হায়বা তাবদা অঙকপা অমা ওইনা য়েংবা চৎনরম্মী। কনাগুম্বনা মদু য়েংলুগনু চহী অমা অফবা ওইরোই, দাও য়ারোই হায়নৈ অদু ওইরবসু অঙকপা পাউ ওইবনা য়েংবা চৎনৈ । মসিগী মরমদি পংনা থোক্তবা থৌদোক ওইবগীনি। মী অমা য়ূমদা হল্লক্তবা মতমদা ঐখোয়গী ওল ইন্দিয়া রেদিও,ইম্ফালদা লাওথোকচবা অমা হায়রগা ঙাল্লিঙৈদদি মী মাঙবগী লাওথোকপা য়ারম্মী। কনাগুম্বনা মাইক পাল্লগা কোয়না চৎলগা লাওথোকপসু তৌনখি। তাঙনা থোকপা থৌদোক ঙাক্তনি। মপান লমগী টিভি চেলেনশিংদসু ‘মিসিং পর্সন’ হায়দুনা ফোটো হাপ্লগা মীয়ামদা খঙহন্নরি ।

ঐখোয়গী লমদম অসিদদি মী মাঙবসি মখল মখলনি । হেল্লোইনা চেনবা হায়বনি হায়বা অমসু থেংনখি । অয়ুক নুংথিলদা মীয়াম্না কোয়থি থি। পুং ঝান মাঙ্গং য়ৈদুনা উরক-ৰারক্তা লৈরক্তা কোইথি-থিবনি। মী মাঙবা থিবদা মোইবুং খোংঙি । মোইবুং খোংলগা হেল্লোইনা চেনবনি হায়দুনা নুমিৎ য়ুংবদা মী মাঙখিবা থিবা চৎনরকই। নুমিৎ মরীনি মঙানি ফংদবা উরক ৰারক্তা মাঙখিবা লৈ। কোন্নথংদা ফংসু অদুম ফংনখি। কনাগুম্বনা ইমুং মনুং খৎন-চৈনবদগী শাওদুনা ময়ুম থাদোল্লগা চৎখিবা,য়ুমদা মতম কুইনা হল্লকখিদবা য়াওখি । মাঙখ্রেনা থিরুবদা ফংদ্রে,শিখ্রে হায়নালৌনরুরবা তুংদা শিদনা য়ূমদা অমুক হল্লকখিবা মীসু লৈখি। মী মাঙখিবা, শিখিবগী ৰারীসি ঙাল্লিঙৈদগী লৈরক্লবনি । মালেমগী মফম খুদিংদা থোক্লিবা থৌদোকশিংনি।

চৎনবী ওইনা ঐখোয়গী লমদম অসিদদি-তশেঙনা মীশি চাদববু ওইরগসু,অশিবা মশাবু ফংলগদি অশিবগী তৌফম থোকপা মখা তারক্তনবা চুকশাবা থৌরম পাংথোকপা চৎনরকই। মী অমা শিরে হায়রগদি অশিবা মশা য়াওনা থৌরম পাংথোক্তবা য়াদে । খ্বাইদগী মরু ওইবসি অশিবা মীগী মশা ফংবনি। মশা ফংলকত্রগদি পাঙ্গোং হায়বা পাম্বী অমগী উশা অমতং ওইরবসু হাপ্লগা অশিবগী মহুৎ শিন্দুনা থৌরম পাংথোক্রে। মওং অসি হৌজিকসু চৎথনরি। পাঙ্গোং পাম্বী অসিমক্তি মেডিসিনেল প্লান্ট মখল অমনি । হিদাক কান্নরবা পাম্বীনি । মখল কয়াগী লায়েং পথাপ্তা শীজিন্নবা পাম্বীনি। ঐখোয়গী চৎনবীদনা মী মশা ফংদবা, শিখ্রে হায়না থাজনবা লৈরবদি পাঙ্গোং পাম্বীগী উশা অমা হাপ্লগা পোৎলোইবদা শীজিন্নরি। পাঙ্গোং পাম্বী অসিনা মী অদুগী মশানি হায়না লৌনবনি। চৎনরকপা থাজনরকপনি। পাঙ্গোং পাম্বীগী উশানা মহুৎ শিল্লগা পোৎলোইখিবা লমদমসিদা য়াম্না লৈখ্রে । পাঙ্গোং পাম্বীগা নাৎকা করি মরি অচেৎপা লৈনরিবনো হায়বসি কলচর ষ্টডিজ তৌবা মীওইশিংনা কুপ্পা থিজিনজরসনু ।

মতম অমা মী মাঙখিবদা, পুং ঝান য়ৈদুনা, মোইবুং খোংদুনা মী থিরম্বা অদু চৎনখিদ্রে। মীবু লাইনা লৌরে, হেল্লোইনা মী চেল্লি খন্নরম্বদু হৌজিক মদু লৈখিদ্রে । মী তশেঙনা মাঙখ্রে । ফারগা লোন্না হাৎপা, মশা ফংহনদনবগী থবক ওইনা চৎথনখিবা অরোন অথুপ লৈখিবগী ৰাসু মাল্লি। মতম অমদনা, সিফাইনা নৎত্রগা কনাগুম্বনা ফারগা হাৎখিবা, শোয়বদগী শিহনখিবা, খুৎনেক্তা হাৎপীখিবা,অশিবা মশা মাঙহনখিবা থৌদোক কয়া মশীং খঙদনা লমদমসিদা থোকখিবগী পাউ তাখি। মচা কায়নরবা মমা কয়াগী তেংথাখোল, মপুরোইবা কায়নরবা নুপী কয়াগী মীকপ খোঞ্জেলনা হৌজিকসু লেপত্রি। হৌখিবা চহী অসিদগী অনৌবা মীশি মীনা ময়াম অমা অমুক ঐখোয়গী মীয়ামদা শরুক থুংহনবীররি।

হৌজিক করি থৌদোক থোক্লিবগে ? করম্না মী শিরিবগে ? শিবগী মওং অসিসু চাউখৎপগী থৌওংনি হায়গদ্রা হৈ শিংনা শিনরি । হৌজিক শীরিবা মী মাঙখিবগী থৌওং অসিদি, য়েল্লাং কেঙোই হেকপা চৎপদা কুঞ্জমলা কৌবী নুপীমচা অমা কৈনা চাখিবগী ৰারীদু নত্তে। কৈনা মী চাখ্রবসু মশা খরদং ওইরবসু ফংনরি । কৈনা মী মশা লোইনা চাথোকখিবা পাউ থেংনদে । নোংলৈনা চেনখৎখিবা কোম্থৌজমগী লাইরেম্বী ওইখিবসু চরৈ ফি থাদরম্মী হায়নৈ । লাইনা মী নোংথক্তা পুখৎপদা মফি থাদরম্মী লোইনা পুখিদে থাজনৈ । হৌজিক্কী মতম অসিদদি, কৈদগী হেন্না শাথিবা লাইদগীসু হেনবা মীবু মাঙহনবা, মফম খঙহন্দবা মীরা- লাইরা খঙদবা পোৎশক অমা লৈবগুম তৌরে । লৈবগুম তৌবা নত্তে তশেঙনা লৈরে । মফমসু খঙবগুম তৌরে । খঙবগুম তৌবা নত্তমাল্লে অশেঙবা খঙনবা লৈ হায়বগী পাউ তাখি। অদুদি করিগী মশা ফংনবা মনাক য়ৌনা চঙশিনবা ঙমদবনো ? রামায়ানগী ৰারীদা প্রভু রামচন্দ্রনা জগৎ মতা সীতাবু য়েক্লবনা মশা শোকপা ঙমদনবা চিংলম্বা লৈই, পল অদুগুম্বা অমা লমদমসিগী চমজরবা মীচমশিংগী থৰায় লৌথোকপীখ্রবা অশীবা হকচাং লৈরিবা মফমদা লৌথোকপগী চঙশিনবা ঙমদনবা প্রভু রামগী তেনজৈগুম্বা লৈই চিংবা ঙম্বা মী লৈরব্রা ? ৰারী লীবা ওজাশিংনা শীজিন্নবা ৰাহৈ- রাবন্না কাপলকপা তেন, প্রভু রামচন্দ্রা ককথৎলি, তেন্না তেনমৈগা, তেনকোক্কা লৈমায়দা ধম লাওনা থাদৈ, মুরসা শাদুনা মাঙমিন্নৈ, ..” হায়বসি চিনবুংদা নুংঙাইনবা লীবা ৰারীগী খোম্থোক ওইদৌরিব্রা ?

পাঙ্গোংনা কয়াম কুইনা মীওইবগী হকচাংগী মহুৎ শিল্লগা অশিবগী থৌরম পাংথোকখিগদৌরিবনো ? লমদম অসিদা পাঙ্গোংনা মীওইবগী হকচাং থিবা খঙদবগী মসীং হেনগৎলক্লগাদি পাম্বী হেন্না হৌহন্নবা থাবা মথৌ তাগদৌরিব্রা ? মীশি মীনা মীকপ মীরাউজী খোঞ্জেলসি কুইমল্লে। অচিকপা অঙৈংবা লমদম হায়বদু কৈদৌঙৈ লাক্কদৌরিবগে ? নোঙ্গৌবী কৌবা চেক্লনা লাইজা ঈশিং ঙাইবগুম ঙাইজরি । ●

- মাখোনমনি মোংসাবা

ৰারী ককনাউ

শিদি শিনীংখিদ্রেদা

“কদাইদনো নঙনা খুদৈ অমগা য়াল্লদনা অয়ূক ঙন্তাসিদা থোক্লিদুবো?” অহিং তূম্বা য়াদদুনা য়াহৌ ঙন্না হৌগৎলগা মাঙ্গোলদা অহল ফম্নবা থারিবা ফক অদুদা ফক্লাংদা ঙারগা ফল্লিবা চহী ৮২ চঙলক্লবা ইপন তোমচৌনা মচানুপাদুদা হংই। ইচম চম্না অহল অমা ওইনা মচা-মশুশিংদা হায়বা ঙাওবদুনি থোইদোক্লা চৈবা খোৎপগী ৰা নত্তে। ৰাহংদুগী পাউখুম ওইনা মচানুপা বিহারিনা চৎনা-চৎনা ইমুংদা ওনশিল্লগা মাগী নুপীদা ওইনা হায়খি।

“ঐ কুরক্লোই, ঙাইহাক্তু য়াওদ্রদি ফজদে লৈকায়গী অহলনি হায়দুনা তৌবনি। ঐ থবক চৎকদবা লৈবনি। খুদৈ, ঈশিং, মৈ ওক্লবা থৌরাং তৌরম্মু”। ঙাঙনা-ঙাঙনা শুমাং য়ৌখ্রে।

“হোয়-হোয়, থৌরাং তৌরম্মগে” মাগী নুপীনা থোরক্লগা খুম্মী। ইপন তোমচৌদু মশাদা য়াম্না চিংনবা অমা ফাওরকই। কনা লৈতবা য়াওরজাৎননো, মায় ৰাতাসিনদি লৈকায়সিদা মী অমা শিরে হায়বনি। কনা ওইবজাৎননো, ইপনগী ৰাখলদা খঞ্জে। তাঞ্জাসিদা মমৌ নুপীদু ইমুংদা মমায় ওনশিল্লগা চঙগে তৌবদুদা ইপন্না খাম্নগা হংখি।

“মৌ, কনানো লৈতে হায়রিসিবো?”

“মখারোমগী তোকপমগী অহল, করি হায়গে মায় মমিংদুবো, ও-ও লৈরে-লৈরে মোমোন হায়দো, অদু ঙরাং নোংঙাল্লমদাইদা লৈত্রে হায়য়ে”

ইপন তোমচৌদু শ্বাই লাউই। ঙরাং নোংঙাল্লমদাইদা মরোল-মরী খঙদবা মীনিল খরা তাখি। মদুদগী মমিৎ উইশিল্লু য়াদদনা ফমুংদা লোংনা হিপ্পগা মমিৎ তরু-তরু পাংদুনা লৈরকখিবনি। অদুদগী মম্মীঙৈদা ইমুংগী মী অমত্তা হৌগৎনদ্রিঙৈদা হৌগৎলগা মাঙ্গোলসিদা ফম্মীসিনি।

“ইহে, ইতাও মোমোনদু চৎখ্রবোইরে, মাসু ঐদৌনা শোল্লি-মাল্লি লৈবা কুইরবনিনে” নাশোন্ননা ইপন্না শোলহৌই। মমৌ নুপীদি হায়রম্মগা চঙখ্রবনি। লৈকায়সিদা লৈমিন্নবা মোমোনগা য়াম্না লুনা তিন্নরকই। অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা পুন্না-পুন্না শান্নমিন্নরকই। লৌবুক্তা কুমদুনা কাওথুম তানবা, খোংবান শিৎতুনা ঙা ফাবা, পুঙ্কক চাউরক্লবদা পাখঙ ফারকপা ফাওবা লৈকায় কৌইবা চৎপা, লাঙবা পুন্নমক তোম্পোক মোমোনগা পুনমিন্নরকখিবনি। অদুদগী কনাগী লুহোংবা খোঙদোংবা, মচা-মশুগী করিগী খোগোপ্পা থাদোক্লবা য়াদনা অমনা অমগী মতেং পাংনদুনা লুনা লোয়নরকখি। চহী অসুম-অসুম য়ামশিল্লকপদগী অহল হায়দু ওইরকখি। লৈকায়গী থবক থৌরম কয়াদা ভাবোক মমায় তাবা হায়দনা লৈকায়গী অহল ওইবশিং ফম্বদু মোমোন্না ঙল্লে, মাগী ফম্ফম খাল্লমগনি, মানা ঙল্লে, মোমোনগী ফম্ফম খাক্লনি। পুন্না-পুন্না ফম্মিন্নরকই। য়াম্না নুংশিনৈ, থোঙ্গাল থোকপা ঙল্লিঙৈদুদদি চৈশু অমমম পায়নরগা হেক-হেক নুমিদাংৰাইরমসি থোক্লগা অশেংবা নুংশিৎ মশাদা য়ৈহন্দুনা ফম্মিন্নরম্মী লৈকায়গী মচি অমদা। অৰা-নুংঙাই ৰারী হেক-হেক শানৈ। থা ৫/৬সিদদি মখোয় অনী উনখিদ্রে। মচা-মশুশিংনসু মখোয়-মখোয়গী মনাক্তা থিনবীদুনা অহল অনী অদু উনহন্দুনা মপূক্লিং থৌগৎপীবা কনাসু য়াওদ্রে। চৎনীংলবসু চৎপা ঙমদবনিনা মাঙ্গোল, শুমাংদগী হেন্দোক্তে। থোঙ্গাল ফাওদা থোক্কে খন্না সেকৌ-সেকৌ থোক্লুরসু মচা-মমৌশিংনা নীংথি-নুংঙাইনা হায়বীদে, “কৈদৌ থোকইনো, তুশিন-খোৎচিল্লগা ঐখোয় ৰানবা” ৰাদু তাবদগী মচা মমৌ কিবনি খঙদে অদুম থোকখিদ্রে। ঙসি অয়ূকসিদা তারিবা পাউদুনা ইপনদু থম্মোয় য়াম্না শোকহনখ্রে। মমিৎ অখুইবদু উইশিন্দুনা লাই নীংজে,

“হে ইবুংঙো নহাক্লা ঐগী ইতাও মোমোনদো নুংঙাইনা থম্বীয়ুকো ননাক্তা, মহাক ফনা য়াম্না ৰাজরবনি। চানীংবা অমত্তা মপূক্লিং পেন্না চাজখিদ্রবনি। ৰানা হিংজরকখিবনি ইতাওদো” খন্না-খন্না মমিৎ পাঙলকপদা মপি চদুম-চদুম খজাই অকুৎপদুদা চেম্থরকখি। শ্বর শাংনা-শাংনা হোন্দোক্লগা তূমিন মশাদু তাশিল্লগা ফম্মী। করিবু খল্লিবা ইপনদো, ৰাসু ঙাঙদে, হান্নদগী হৌনা মশাদু সুম-সুম পীকশিল্লগা মখূ অনীদু য়ূম শারগা মখূৎনা কোনশিঞ্জদুনা ফম্মী, শোরাৎ মফম অমদগী চৈশু-শুদুনা হনমিন্নরকপদা হায়খিবা ৰাদু খঙনীং নীংশিংলকখি।

“ইতাও তোমচৌ”

“ইতাও”

“ঐবু কৈনোমতং চানীংবনি চাবা ফংদৌ মান্দ্রেবো”

“করিনোনে?”

“হেরা পোরোমদু হৰাইথরাক্লা থাক্লগা মহি য়াওদনা থোংবদু চখোম অমত্তং চারদি হাউখ্রনিদা”

ৰারীদু খঙনীং নীংশিংলকপদা মশাদু শ্বাই লাউই ইপনদু, কোনশিল্লম্বা মশাদু খিতং তিংখৎলগা মতু চুবা ফাওরকপদা ওইথংবা মখূৎতুদা মখূৎ য়েৎতুনা নাম্বুরজা য়েংজৈ চুংলক্লিবা মতুদু। মাগী মতাওদুনা শিদ্রিঙৈ মতমদা পোরোম থোংবদু অমুক্তং পীজগে হায়না খনখিবনি। ঙমখিদ্রে, কমাইনসু ঙমগনি, মানা উতি অশংবা চানীংই, অমুক্তা থোংউনে হায়বা ফাওবা মমৌ নুপীদুনা কাউবদগী হৌজিকফাও থোংবীদ্রি, পীজবীদ্রি। কমাইনা মাগী মতাওদুদা পোরোম থোংবা তেক্লোৎ অমা পীজবা ঙমগনি। খল্লিঙৈদুদা মমৌনুপীদুনা চা অঙাংবা কপ অমা পুথোক্তুনা থোরকই।

“পাবুং চা লৈরে”। য়েংখৎলুবদা মমৌনুপী ওইরম্মী। মমৌনা হোবে-হোবে চঙগে তৌরিঙৈদুদা হংখি।

“তোকপম ইতাও মোমোনদুবু কমাইনা লৈখিদবনি হায়বগেনে মৌ”

“খঙদেদা, অহিং তূম্বদা কৈনো মখোল অমা হায়রপ তাখি হায়না য়েংলুবদা শিরম্বনি হায়। মাদি নুংঙাইনা শিখ্রজাৎনিদা, কনামত্তদা য়েৎলমদে, শোৎ-পেক লাউদনা অদুম শিজখিবা ওইরমাল্লে” মমৌদু চঙখ্রে।

চঙখিবা মমৌদু য়েংহৌরগা ইপন তোমচৌনা খলহৌই, অহিং তূমখিবদগী হৌগৎলকপদা শিরগা লৈরম্বা, কনামত্তদা য়েৎলমদবা, নুংঙাইনা শিখ্রে হায়বা। অদুম্না নুংঙাইনা শিজবা ওইরসু ঐদি ‘শিদি শিনীংখিদ্রেদা”। ● - **নরেন্দ্র নিঙোম্বা**

মীতৈগী পুয়া ‘নিঙ্‌থৌলোল্ লম্‌পুপা’

(নিংথৌরোল লম্বুবা)-(২৪১)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্কী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী লমাই অসিদা ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

মৈকামপা খুমিৎশুগা। অনিমনা লেংবনা হাও মুকনা লেংফাই চল। মোংবা তচীল খুরৌ মুকনা লোংখ্রৌ য়েৎনা। মুকনা শাননবৈঁদা। নোংয়াই লালয়ামকোইনা। ঙালখম মারাল থোংদা। অশি নোংমললে। লাইরেল মৈদিংঙুনা। মমোম মচা ইবেমমবু নোংয়াই মপুংয়াইদা শিখিবগী। পোইরৈ মৈতৈনা কাওবা ঙমদনা লৈরিঙৈদা। মদাইরেম মৈকামপা খুমিৎশু। মরিপা নাওশৌশুপু। ঙালখম মরালথোঙ কৌবদা। অশি নোংমলবা ৰাগী ৰাফংনা। লাইরেল উনবী পুকনিং খামবী মৈহৌনা শাও। ৰাহে খোনদা থিখিয়ে। ইদাইরেম মৈতৈ পোইরৈ অথৌ লিংজেল খাবা। মৈতৈ লৈবাককী ঙমখৈ ঙাকনা। থায়াঙ কোলখা লোলবশিং ও। নোংয়াই খুমল য়ুমলক চঙ। ●

ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'

(ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯲꯴꯱)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯀꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯂꯃꯥꯏ ꯑꯁꯤꯗꯥ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯂꯒꯅꯤ꯫)

ꯃꯩꯀꯥꯝꯄꯥ ꯈꯨꯃꯤꯠꯁꯨꯒꯥ꯫ ꯑꯅꯤꯃꯅꯥ ꯂꯦꯡꯕꯅꯥ ꯍꯥꯎ ꯃꯨꯀꯅꯥ ꯂꯦꯡꯐꯥꯏ ꯆꯜ꯫ ꯃꯣꯡꯕꯥ ꯇꯆꯤꯜ ꯈꯨꯔꯧ ꯃꯨꯀꯅꯥ ꯂꯣꯡꯈ꯭ꯔꯧ ꯌꯦꯠꯅꯥ꯫ ꯃꯨꯀꯅꯥ ꯁꯥꯟꯅꯕꯩꯗꯥ꯫ ꯅꯣꯡꯌꯥꯏ ꯂꯥꯂꯌꯥꯝꯀꯣꯏꯅꯥ꯫ ꯉꯥꯂꯈꯝ ꯃꯥꯔꯥꯜ ꯊꯣꯡꯗꯥ꯫ ꯑꯁꯤ ꯅꯣꯡꯃꯂꯂꯦ꯫ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨꯅꯥ꯫ ꯃꯃꯣꯝ ꯃꯆꯥ ꯏꯕꯦꯝꯃꯕꯨ ꯅꯣꯡꯌꯥꯏ ꯃꯄꯨꯡꯌꯥꯏꯗꯥ ꯁꯤꯈꯤꯕꯒꯤ꯫ ꯄꯣꯏꯔꯩ ꯃꯩꯇꯩꯅꯥ ꯀꯥꯎꯕꯥ ꯉꯝꯗꯅꯥ ꯂꯩꯔꯤꯉꯩꯗꯥ꯫ ꯃꯗꯥꯏꯔꯦꯝ ꯃꯩꯀꯥꯝꯄꯥ ꯈꯨꯃꯤꯠꯁꯨ꯫ ꯃꯔꯤꯄꯥ ꯅꯥꯎꯁꯧꯁꯨꯄꯨ꯫ ꯉꯥꯂꯈꯝ ꯃꯔꯥꯂꯊꯣꯡ ꯀꯧꯕꯗꯥ꯫ ꯑꯁꯤ ꯅꯣꯡꯃꯂꯕꯥ ꯔꯥꯒꯤ ꯔꯥꯐꯪꯅꯥ꯫ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯎꯟꯕꯤ ꯄꯨꯀꯅꯤꯡ ꯈꯥꯝꯕꯤ ꯃꯩꯍꯧꯅꯥ ꯁꯥꯎ꯫ ꯔꯥꯍꯦ ꯈꯣꯟꯗꯥ ꯊꯤꯈꯤꯌꯦ꯫ ꯏꯗꯥꯏꯔꯦꯝ ꯃꯩꯇꯩ ꯄꯣꯏꯔꯩ ꯑꯊꯧ ꯂꯤꯡꯖꯦꯜ ꯈꯥꯕꯥ꯫ ꯃꯩꯇꯩ ꯂꯩꯕꯥꯛꯀꯤ ꯉꯝꯈꯩ ꯉꯥꯛꯅꯥ꯫ ꯊꯥꯌꯥꯡ ꯀꯣꯜꯈꯥ ꯂꯣꯜꯂꯕꯁꯤꯡ ꯑꯣ꯫ ꯅꯣꯡꯌꯥꯏ ꯈꯨꯃꯜ ꯌꯨꯃꯂꯛ ꯆꯪ꯫ ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৰারেংশিং অসিগী ৰাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৰাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।